খুন্দ্রাকপমগী এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চন্না লৈবা উয়ুম্পোক লিতান মখোঙদা পি এম জি এস ৱাইগী মখাদা লুপা লাখ ৫.১১ চঙনা শাগদবা আর সী সী ব্রিজ এম এল এ, টি ঐচ লোকেশ্বরনা উরেপ-উয়ুং তম্বগী থৌরম

রিজনল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) হোস্পিটালগী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট প্রোফেসর নেপ্রম সঞ্জিৎনা হোস্পিটাল অসিগী কোভিদ-১৯ ৱার্দশিংগী ফীভম হকথেংননা য়েংশিনখিবা

কৈশামথোং লাইশোম লৈরক্তা লৈবা মশাগী য়ুমদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা কৈশামথোং এ সীদগী বি জে পিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ওইরিবা লাইশোম সন্তোশ এলিয়স বোনিনা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখিবা

অপূনবা মণিপুর হুয়েন লানলোং লূপকী ঐচ আর দি দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা ৱাংখৈ থাংজম লৈকায়দা লৈবা লূপ অসিগী ময়াই লোয়শঙদা নুমীৎ মঙানি চুপ্না চথুরকখিবা থাঙ-তা তাকপী তম্বীবা লোইশিনবগী থৌরম

ডা. আর কে রঞ্জননা লোঞ্চ তৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ (ঐচএন এস): ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিনা শীন্দুনা এদ্যুকেসন অমসুং এক্সটর্নেল এফেয়েসকী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ডা. আর কে রঞ্জনবু তরাম্না ওকখিবগা লোয়ননা থৌরম অদুদা ডা. আর কে রঞ্জননা ঈ-লার্নিং প্লেটফোর্ম-মুদল-এল এম এস লোঞ্চ তৌখ্রে।

থৌরম অদুদা ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটি কন্সটিট্যুএন্ট কোলেজ মঙাগী প্রিন্সিপালদা টেব্লেট অনী অনীসু খুৎশিন্নখি। থৌরম অদুদা ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসর এন রাজমুহোন, এল্যুমিনা এসোসিএসন ওফ ধনমঞ্জুরি কোলেজ ওফ সাইন্সকী প্রসিদেন্ট, মেম্বরশিং, প্রিন্সিপালশিং অমদি টিচিং ফেকল্টিশিংসু শরুক য়াখি।

মীৎয়েং চঙবীয়ু

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ (ঐচএন এস): নম্বোল ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী ৱার্দ নম্বর ৯ কোংখাম অৱাংদা রসন কার্দ পীবদা অরানবা কয়া চথুরবরা হায়বগী চিংনবা লৈরে। মরম অসিনা পরম চুম্না মীয়ামদা রসন কার্দ পীবীননবা অমদি কার্দ হোল্ডরশিংদা মখোয়গী ফংফম থোকপা চেঙশিং পীবীননবা কোংখাম অৱাং য়ুথ এন্দ কো-এদজ্যুদেন্ট ক্লবকী প্রসিদেন্টনা মরী লৈনবশিংগী পূক্নিং চিংশিল্লক্লি।

অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ (ঐচএন এস): মণিপুরগী সিনেমা হোল-শিংগীদমক মশাগী অচিনবা কয়া কায়থোকপীদুনা সিনেমা হোল অসিবু চাউখৎননবগীদমক অচৌবা থৌদাং কয়া পুবীরম্বা অমদি সিনে এগজিবিটর্স এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ওইনা কুমজা ১৯৯৩দগী ২০০১ থৌ পুবীরম্বা থোঙ্গ্রাম হরিদাসনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা য়ুনাইটেদ সিনে এগজিবিটর্স এসোসিএসন ওফ মণিপুরনা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্না লৈরুনবগীদমক মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্পুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়না য়ুনাইটেদ সিনে এগজিবিটর্সগী জোইন্ট সেক্রেটরি অশোক ফমদোমচানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ (ঐচএন এস): লাক্লিবা ১২শুবা মণিপুরগী এসেমব্লী মীখল অসিদা মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা আই এম সীগী হান্নগী চ্যেরপর্সন ওইরম্বী অমসুং বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী স্পোক্সপর্সন ওইরিবী আর কে রানিসনানা সেবা ওর সমরপন অভিয়ানগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মপোক নুমীৎকা মরী লৈননা পাঙথোক্লিবা সেবা ওর সমরপন অভিয়ানগী মনুং চন্না উরিপোক লাইখুরেম্বী লৈকায়দা লৈবা নিঙোম্থম বেমবেমগী য়ুমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী স্পোক্সপর্সনসু ওইরিবা ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট রানিসনা, সেন্ট্রল দিষ্ট্রিক্ট বি জে পি কম্মিটিগী মেম্বর দব্লিয়ু শরত অমসুং ঙাঞ্জেশ্বরীনা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি। উরিপোক পঞ্চায়ট মনিং লাইখুরেম্বী অমদি উরিপোক খোইস্নাম লৈকায়গী সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংগী মেম্বরশিংগা সেল্ফ হেল্প গ্রুপপু হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্ননবা ৱাফম কয়াসু খন্নখি হায়রি।

ফিট ইন্দিয়া ফ্রিদম রন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ (ঐচএন এস): আই জি এ আর (ইষ্ট) অমসুং হেদক্বার্টরস ২২ সেক্তর অসাম রাইফলসকী মীৎয়েং মখাদা অসাম রাইফলসকী নোনে বট্টালিয়ন্না শীন্দুনা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কোটলিয়নদা ঙসি ফিট ইন্দিয়া রন পাঙথোকখ্রে। মীওইবগী হকচাং ফনা থম্ননবা অমদি নুংঙাই য়াইফবা পুন্সি মহিং অমা লৈহনবগী মরুওইবশিংগী মতাংদা মীয়ামদা এৱ্যের্নেস পীননবগী পান্দমদা ফিট ইন্দিয়া ফ্রিদম রন পাঙথোকখিবনি। ফিট ইন্দিয়া ফ্রিদম রন অসিদা নুপামচা অমদি নুপীমচা কয়াসু শরুক য়াখি হায়রি।

‘ভোটকীদমক শানৈ-য়ুনৈবা তৌহনগুমসি’

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ (ঐচ এন এস): ভোটকীদমক শানৈ-য়ুনৈবা তৌহনগুমসি, হন্দক মরক চাকচা-হৈজান্নবগা মরী লৈনবা খরদা খৎন-চৈনবা থোক্লিবা অসি লাইবক থীবনি হায়না খুন্দ্রাকপম এ সীগী এম এল এ, টি ঐচ লোকেশ্বরনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি খুন্দ্রাকপমগী এ সীগী মনুংদা উয়ুম্পোক লিতান মখোঙদা পি এম জি এস ৱাইগী মখাদা শাগদবা আর সী সী ব্রিজ উরেপ-উয়ুং তম্বগী থৌরমগা মরী লৈননা এম এল এ, টি ঐচ লোকেশ্বরনা ফোঙদোকখিবনি। মহাক্না হায়খি, মীখল হায়বসি দিমোক্রেসিনি। অদুনা মীয়াম্না অপাম্বা মওংদা ভোট থাদবা তৌজসনু। খরা পীজ-পীথক্লগা মীয়াম অসিবু লান্না লমজিংবগী মতম নৎত্রে। মীয়াম্নসু ৱাখল লোইনা তাবীরবা ঙাক্তনি।

খুন্দ্রাকপম এ সীগী এম এল এ অমা ওইনা হেক লৈরকপদগী খঙ-হৈরবা অহল-লমনশিং, ওজাশিং, ইমা-ইবেলশিং, ইচিল-ইনাওশিংনা পীরকপা পাউতাকশিং কুপ্না তান্নদুনা মীয়ামগী মীহুৎ অমা ওইনা এসেমব্লীদা পুখৎলগা খন্ন-নৈনদুনা এ সী অসিগী মীয়াম্না পাম্লিবশিং ফংননবা হোৎনজরুবা কয়া অদু থবক ওইনা পাঙথোরকপগী মনুংদা ঙসি উয়ুম্পোক লিতান থোং অসিসু মণিপুর ষ্টেট রুরেল রোদস দিভেলপমেন্ট এজেন্সী (এম এস আর আর দি এ) গী মখাদা লুপা লাখ ৫.১১ চঙনা আর সী সীগী ব্রিজ ওইনা শাননবা উরেপ-উয়ুং তম্বনি। থোং অসি পার্টি অমত্তগী নত্তে। এ সী অসিগী অমদি লৈবাক মীয়ামগীনি। মরম অদুনা থোং অসি শেম-শাবদা অয়েৎ-অপন অমত্তা পীবীগনু। চাউখৎপদা খুরৌ থাংলকপশিং থেংনমিন্নসি। কে সী হায় স্কুল খুন্দ্রাকপম অমদি সগোলমাং হায় স্কুল অনী অসি সেকেণ্ড দরিদা অপগ্রেদ তৌরিবা, লম্বী কয়া নৌনা শেমগৎপা অসি এ সী অসিগী মীয়ামগীনি। মীয়াম য়াওদনা এম এল এ, মিনিষ্টর লৈবা য়ারোই।

ঙসি মণিপুরদা থাউগী মমল, গ্যাসকী মমল, চান-থক্লবা তঙাইফদবা পোৎলমশিংগী মমল তাঙনা য়োল্লিবা অসি নৈনবীয়ু। লৈঙাক্লা পোৎ-চৈগী মমল লেপ্পা ঙমদবদগী মীওই খরনা লেপ্পা মমলদা য়োন্নিংবা মওংদা য়োল্লিবনি। সগোলমাংদা শাননবা উরেপ-উয়ুং তমখ্রবা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল ঙসি ফাওবা নমশিন্দুনা থল্লিবা অসি খুন্দ্রাকপম এ সীগী মীয়াম্বু নুংশিনা খনবীরি হায়গদৌরিব্রা হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংদা লেম্না মেদিকেল ট্রেনিং ফংহল্লগনি : ডা. কুমার

125th BIRTH ANNIVERSARY
OF

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ (ঐচ এন এস): মণিপুরদা লৈরিবা পাউমীশিংদা লেম্না মেদিকেল ট্রেনিং ফংহল্লগনি হায়না সাইনা ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেসকী দিরেক্টরসু ওইরিবা ইন্টরনেসনল এৱার্দী ডা. এস কুমারনা ফোঙদোরক্লি।

লময়ানবা হিজম ইরাবতকী ১২৫শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ৱাংজিং সোরোখাইবম লৈকায়দা লৈবা পলেম পন্থৌ মশাইগোলদা পাঙথোকপা থৌরমদা ডা. এস কুমারনা হায়খি, মালেমদা পাউমীশিংনা লৌরিবা থৌদাং অসি য়াম্না চাউই। তমথিরবা লাইচৎ কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা মীপুম খূদিংমক্না নিক-নিক লাউনা লৈনরবসু, পাউমীশিংনা থৱায় খুবাক্তা হাপ্পগা মীয়ামদা পাউ ফংহনখিবা থাগৎনিংঙাইনি। খুদোংথিবা কয়াদা লেপ্পুনা থবক তৌরিবা পাউমীশিংবু অনা-লায়েংগী ফর্ষ্ট এইদকী মতাংদা ট্রেন তৌবা মথৌ তাই। মরম অসিনা সাইনা ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেসনা পাউমীশিংদা থা ৩গী ওইবা সর্টিফিকেট ট্রেনিং কোর্স লেম্না পীরগনি। হায়রিবা ট্রেনিং অসি য়াওবীনিংবশিংনা পাউমী ২০০/৩০০ ওইরবসু এদিটরগী খুত্থাংদা ইন্সটিট্যুট অসিদা পাউ পীবীরকউ। পাউমীশিংবু হিদাক কাপ্পা, ফর্ষ্ট এইদ পীবনচিংবশিং হৈবা হায়বসি তঙাইফদে হায়বা ৱাখল্লোন্দা ট্রেনিং অসি পীনবা ৱারেপ লৌখিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, পলেম পন্থৌ মসাইগোল অসিদা লৈরিবা অহল-লমনশিংগীদমক্তসু ইন্সটিট্যুট অসিনা লেম্না লায়েংবগা লোয়ননা হিদাকসু লেম্না ফংহনগনি হায়বা ৱাফমসু থল্লমখি। পলেম পন্থৌ মসাইগোলগী থৌপুবশিংনা শীল্লগা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা সাইনা ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেসকী দিরেক্টরসু ওইরিবা ইন্টরনেসনল এৱার্দী ডা. এস কুমার, পলেম পন্থৌ মসাইগোল ৱাংজিংগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা দলিট সাহিত্য একাদেমী, মণিপুর, ইন্দিয়াগী নেসনল সেক্রেটরি য়ুম্নাম মহেন্দ্রকুমার, এম এম দব্লিয়ু ওগী প্রসিদেন্ট এস কে ৱাজিৎ শাহ, এমসুগী হান্নগী প্রসিদেন্ট মঞ্জিৎ সরাংথেম অমসুং ইন্টরনেসনল টিচর এৱার্দী তেকচম রামেশ্বরনা মথংশিংনা অথোইবা মীথুং, থৌরম মপু অমসুং অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

লময়ানবা ইরাবতকী ফোটোদা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা হৌদোকখিবা থৌরম অদুদা লময়ানবা অসিনা খুন্নাইদা লৌরম্বা থৌদাংশিংগী মতাংদা তেকচম রামেশ্বর অমসুং মৈতৈলোল এক্টিভিষ্ট সোইবম মঙ্গিজাওনা ৱা ঙাংখি। থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা নাৎকী ওইবা থৌরম কয়াসু পাঙথোকপগা লোয়ননা মনা-মথুমসু য়েন্থোকখি।

মীগী সেন্টিমেন্টতা পোলিটিক্স তৌবীগনু : সন্তোশ

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ (ঐচ এন এস): ভোট ফাগী নত্তে, মীগী সেন্টিমেন্টতা পোলিটিক্স তৌবীগনু হায়না কৈশামথোং এ সীদগী বি জে পিগী মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা লাইশোম সন্তোশ এলিয়স বোনিনা ফোঙদোরক্লি।

কৈশামথোং লাইশোম লৈরক্তা লৈবা মশাগী য়ুমদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা লাইশোম সন্তোশ এলিয়স বোনিনা হায়খি, মহাক্কী মখুরা এক্স-এম এল এ লাইশোম ইবোমচানা লৈখিদ্রবা তুংদা মহাক্কী মখুরা অমসুং অপোকপবু হান্নদগী শৌগৎতুনা লাকখিবা ৱার্করশিংগী অপাম্বা মতুংইন্না এ সী অসিদগী মীরেপ ওইগনি হায়না হৌখিবা মার্চ থাদা মীয়াম মমাঙদা লাউথোকখি। অদুবু কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ অসিগী মনুংদা ইমুং-মনুংগী মীওই মরি লৈখিদবা অমদি মীওই কয়ানা পোজিটিভ ওইদুনা মতম শাংনা কন্টেনমেন্ট জোন মনুংদা লৈখিবনা মীয়ামগা তোৎন-তীন্নবা মতম খরগী ওইনা য়াদনা লৈরকখি। মহাক্কী ইমুং-মনুংনা অৱাবা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্ন রিঙৈ চৈরক অসিদা পোলিটিকেলগী খুদোংচাবা লৌদুনা লৈখিদ্রবা মহাক্কী মখুরাগী হান্না লৈজরম্বা ৱার্করশিং কায়রে হায়না অরানবা ৱাফম কয়া শন্দোরকখিবা অসি লাইবক থীবনি। মহাক্কী মখুরা অমসুং অপোকপবু শৌগৎলম্বা ৱার্করশিং কায়বা লৈত্রি। চহী ৩০ হেন্না মহাক্কী অপোকপা অমদি মখুরাগী মখাদা লৈরগা পোলিটিকেলগী ওইবা থবক থৌরম কয়া তৌদুনা লাক্লি। মীয়াম্না পীখিবা কম্মিটমেন্টকী মরুওইবা অদু চপ চানা খঙজে।

বি জে পিদা য়াওবগী অয়াবা পীবীরকপগীদমকসু বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ শর্দা অমসুং চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনবু তৌবীমল খঙবা উৎচরি। লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লৈঙাক অসিদা থাজবা থম্বগা লোয়ননা ষ্টেট অসিদসু চাউখৎ থৌরাংগী লম্বীদা মাঙ থানা চঙশিনবদা থৌদাং য়াননবগীদমক বি জে পিদা য়াওরকখিবনি। চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক অসিবু ষ্টেট অসিদা হান্না লৈরম্বা লৈঙাক্তগী হেন্দোক্না চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎলকপা, চীং-তমগী মরী হেন্না চেৎশিনহল্লকপা অসিদা অপেনবা ফাওবদগী লুচিংবশিং অসিগী মখাদা কৈশামথোং এ সী অমদি ষ্টেট অসিগী চাউখৎ থৌরাংগী লমদা থৌদাং খরদং ওইরবসু লৌজগে হায়বগী ৱাখল্লোন্দা মীরেপ ওইগে খন্দুনা থোক্লকপনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ওফিসল নত্তে : সী পি আই

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ (ঐচ এন এস): লাক্লিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী ইলেক্সনদা ক্ষেত্রিগাও এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সিদা নেসনল পিপলস পার্টি (এন পি পি)দগী মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা সৈখ নুরুল হাসনদা সী পি আই লোকেল কাউন্সীল ক্ষেত্রিগাওনা শৌগৎকনি হায়না মীদিয়াদা ফোঙখিবা রিপোর্ট অদু ওফিসল নত্তে হায়না কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সী পি আই) মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, এন পি পিগী মীরেপ ওইগদৌরিবা সৈখ নুরুল হাসনদা সী পি আই ক্ষেত্রিগাও লোকেল কাউন্সীলনা শৌগৎকনি হায়না রিপোর্ট অমা ফোঙলকখিবা অসিগী মতাংদা সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী সেক্রেটরিয়েট মীফম ফমদুনা য়াম্না কুপ্না খন্নখ্রে। লোয়ননা সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলনা ঙসি ফাওবদা কনাগুম্বা পোলিটিকেল পার্টি অমত্তদা শৌগৎপগী ৱাফম খন্নখিবা লৈত্রি। অদুগা ক্ষেত্রিগাও লোকেল কাউন্সীলনসু মসিগী মরমদা ৱারেপ লৌখিবা লৈতবনা মীদিয়াদা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অসি ওফিসল নত্তে হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

উ চারা ১২০০ থাখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ (ঐচ এন এস): থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না হৈরোক পার্ট টু গ্রাম পঞ্চায়টনা কোনবা মফম ওইরিবা হৈরোক পার্ট টু লিতান মমাঙ লৈরক্তগী হৌরগা হৈরোক পার্ট টু খাঙরোক চীংদোলদা লৈবা দাইট সেন্টর হৌজিক হৌজিক্লা সী ঐচ আই সী ওইনা লৈরিবা লম্বীগী নাক-য়েৎতা উ চারা ১২০০ থাখ্রে।

উ চারা পাম্বীশিং অদু হৈরোক পার্ট টু গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান টি ঐচ প্রেমজিৎ, ৱার্দ নম্বর ১দগী ১৩ ফাওবগী ৱার্দ মেম্বরশিং, হৈরোক পার্ট টু দিভেলপমেন্ট কম্মিটি অমদি হৈরোক পার্ট গ্রাম পঞ্চায়ট অসিনা কোল্লিবা মফমদগী নুপা অমদি নুপী ২৪০ রোম্না মশা-মশানা লৈজবা খুৎশু-খুৎলায়শিং পুথোক্নদুনা ময়াম পুন্না খুৎশম্নরগা পাঙথোকখিবনি। লোয়ননা উ পাম্বীশিং অসি হিংহন্দুনা মপুং মরৈ ফাহন্ননবা হোৎনবদসু মতেং পাংবীয়ু হায়না আপীল তৌরক্লি।

তোঙান-তোঙানবা মফমদা ইরাবতকী ১২৫শুবা মপোক থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ (ঐচ এন এস): শুরি-নোংলিবা মীয়াম্বু য়াকাইবীরম্বা মণিপুর ইমাগী মপারী জননেতা ইরাবতকী ১২৫শুবা মপোক থৌরম ইরাবত সেলেব্রেসন কম্মিটি মণিপুরগী থৌশিল মখাদা তোঙান-তোঙানবা মফমদা ঙরাং পাঙথোকখ্রে হায়না ইরাবত সেলেব্রেসন কম্মিটি (আই সী সী) মণিপুরগী সেক্রেটরি এম জয়কুমার লুৱাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, খুরাই লোকেল কাউন্সীলনা য়ং পাইওনিয়র স্কুলদা, খুন্দ্রাকপম লোকেল কাউন্সীলনা শম্বৈদা, কোন্থৌজম লোকেল কাউন্সীলনা কামোং মৈস্নাম লৈকায়দা লৈবা ফার্মিং সেন্টরদা, ৱাংজিং তেন্থা কাউন্সীলনা মল্টিপ্লেক্স কমপ্লেক্সতা, বিষ্ণুপুর লোকেল কাউন্সীলনা নাচৌ মখা লৈকায়দা লৈবা কম্যুনিটি হোলদা জননেতা ইরাবতকী ১২৫শুবা মপোক থৌরম পাঙথোকখি।

দিষ্ট্রিক্টকী সেক্রেটরি, লোকেল সেক্রেটরি য়াওবা মীফম অদুদা সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী সেক্রেটরি এল সোটিনকুমার, নেসনল এগজিক্যুটিভ মেম্বর ডা. এম নর, ষ্টেট সেক্রেটরিয়েট মেম্বর আর কে অমুসনানচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি। লৈখিদ্রবা কমরেদকী পামজরম্বা মঙলান, ফ্রিদম, মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কন্ননবা মীৎয়েং শান্না উদুনা থেংনরকখিবা কয়া অদু ঙসিগী মীরোলনা অচেৎপা ফিরেপগা লোয়ননা মখা তানা থেংনফম থোকই। নাচৌ মখা লৈকায়দা লৈবা কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরমদুদা মফম অদুগী মীয়ামগী ষনজাবুং কন্ননবা হোৎনবদা লৈখিদ্রবা পার্টিগী কমরেদ ওইরম্বা লৌমী ৭কী ইমুং-মনুংদা অচম্বা খুদোলপোৎ পীদুনা ঈকায়খুম্নখি হায়রি।

ঈ পীবগী থৌরম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ (ঐচ এন এস): লুচিংপুরেল জননেতা হিজম ইরাবতকী ১২৫ শুবা মপোক কুমওন লাকপদা হৌখিবা চহী কয়াদগী হৌনা ওল ইন্দিয়া য়ুথ ফেদরেসন (এ আই ৱাই এফ)না লুচিংপুরেলদা কৎচবা ঈ পীবগী থৌরম লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ২৮দা জেনিমসকী ব্লদ বেঙ্কতা অয়ুক পুং ১০ তাবদগী পাঙথোকচগনি। ঈ পীবগী থৌরম অসিদা শরুক য়াবীনিংবা দোনরশিংনা মতম চানা লাকপীদুনা ঈ পীবীয়ু। লোয়ননা দোনরশিংনা মাঙজৌননা এ আই ৱাই এফকী ওফিসলশিংগী মোবাইল নম্বর ৭০০৫৮৫৮১৪৮, ৭০৮৫৯৫৩৪০৪, ৯৮৫৬৩৭৮৮৮৭দা পাউ ফাওবীরক্লবসু খঙহঞ্জরি হায়না এ আই ৱাই এফ মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী ভাইস প্রসিদেন্ট কে ঐচরমানন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

‘মহৈরোয়শিংগী এদমিসনদি তৌহনগদবনি’

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ (ঐচ এন এস): শেল হন্দোক্কদবনি হায়বগী খোঙজংদি শৌগৎলি অদুবু মহৈরোয়শিং এদমিসনদি তৌহনগদবনি হায়না দেসাম ইম্ফাল কোলেজ য়ুনিট কাউন্সীলগী পব্লিসিটি প্রোপেগন্দা সেক্রেটরি নাওরেম জুলিয়া চনুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মালেমগী ওইনা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা মরম ওইরগা হীরম কয়াদা অচৌবা চৈথেং কয়া লেপ্পুনা হৌজিকসু পীরি। চৈথেংশিং অসিগী মনুংদা এদ্যুকেসনদসু মতম শাংনা চৈথেং পীরি। ষ্টেট অসিদসু স্কুল, কোলেজ, য়ুনিভর্সিটিশিং পুন্না মতম শাংনা থিংজিন্দুনা লৈরি। মতাং অসিদা য়ুনিট কাউন্সীল অসিনা হংনিংবদি হৌজিক একাদেমীক সেসন ২০২১-২২গী বি এ, বি এস সী, বি কোম তম্নবা এদমিসন হৌনদুনা হৌজিক হৌজিক কোলেজশিংদা এদমিসন চথুরি। অদুবু সেসন অসিগী এদমিসনগী ফিদা শেল হেঞ্জিল্লে হায়না তোঙান-তোঙানবা কোলেজশিংগী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নশিংনা হীরম অসিগী শেল হন্থবীননবা ৱাফম কয়া থম্নরক্লিবা অসি দেসাম ইম্ফাল কোলেজ য়ুনিট কাউন্সীলনসু শৌগৎলি। অদুবু সেসন অসিগী ইম্ফাল কোলেজদা মহৈ তমগদবা মহৈরোয়শিংনা এদমিসন তৌবা হৌরল্লগা হৌজিক লেপ্পুনা লৈরিবা অসি য়াম্না লাইবক থীবনি। মরম অসিনা এদ্যুকেসন (য়ু) অমদি কোলেজ অসিগী প্রিন্সিপালনা অথুবা মতমদা মসিগী ৱারোইশিন অমা পুরক্তুনা এদমিসন প্রোসেস মখা চথননবা হোৎনবীয়ু হায়নসু চেরোলদুনা আপীল তৌরক্লি।

মনিকান্তবু তরাম্না ওকখ্রে, উ চারা থাখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ (ঐচ এন এস): নো টু দ্রগ অমসুং অৱর গ্রীন ৱর্ল্ড হায়বা পাউজেল পুদুনা মণিপুরদগী অসাম ফাওবা হৌখিবা সেপ্টেম্বর ১০দগী হৌদুনা খোঙনা নাইতোম খোঙচৎ চৎলিবা মনিকান্ত মুতুমগী খোঙচৎপু শৌগৎপা অমদি পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা জেইন্ট কোওর্দিনেসন কম্মিটি ওন ৱাইল্ডলাইফ এন্দ বাইওদাইভর্সিটি (জে সী সী দব্লিয়ু বি) মণিপুরগী ভলন্টিয়রশিংনা খোংজোম ৱার মেমোরিএল কমপ্লেক্সতা মনিকান্ত মুতুমবু তরাম্না ওকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিগা মরী লৈননা কমপ্লেক্স অসিগী অকোয়বদা উ চারা কয়াসু থাখ্রে। লোয়ননা কমপ্লেক্স অসিগী মনুংদা চাইদুনা লৈরম্বা প্লাষ্টিক ৱেষ্ট অমদি ৱাটর বটুল কয়াসু খন্দোক্তুনা শেংদোকখ্রে।

মনিকান্তগী খোঙচৎপু পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা মহাকপু তরাম্না ওকখিবা থৌরম অদুদা জেইন্ট কোওর্দিনেসন কম্মিটি ওন ৱাইল্ডলাইফ এন্দ বাইওদাইভর্সিটিগী কনভেনর রোমেশ নিংথৌজম য়াওনা জোইন্ট কোওর্দিনেসন কম্মিটি অসিদা য়াওরিবা ওর্গনাইজেসনশিং হায়বদি য়ু দব্লিয়ু এল পি সী মণিপুর, দব্লিয়ু বি সী সী মণিপুর, ৱাই এ এফ, পি এফ এন থৌবাল অমদি টি পি ও এস ঈ হৈরোক্কী মেম্বরশিং শরুক য়াখি। ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগীসু য়াইরিপোক বিট ওফিসকী দেপ্যুটি রেঞ্জর এম বিরেন, ৱাইখোং বিট ওফিসকী দেপ্যুটি রেঞ্জর এন ব্রোজেন অমদি ওনরেরি ৱাইল্ডলাইফ ৱার্দেন দব্লিয়ু রামচন্দ্রনচিংবসু শরুক য়াখি।

খোঙচৎ অসিগী মতাংদা মনিকান্তনা ফোঙদোরকপদা, অৱর গ্রীন ৱর্ল্ডগী ৱাহন্থোক খঙবীদুনা মালেমগী হোংলক্লিবা মহৌশাগী খল অসিদগী কন্ননবা উপালশিং থাজিনবা অমদি হৌরক্লিবা নহারোলশিংবু ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী ঈপাক্তগী কনসি হায়বা ৱাখল্লোন্দা খোঙচৎ অসি চৎপনি হায়খি।

মনিকান্তগী নাইতোম খোঙচৎ অসিনা অকোয়বগী ফীভমদা অমদি হকচাং ফনা লৈননবগীদমক অচৌবা পারা অমা ওইরগনি হায়নসু জেইন্ট কোওর্দিনেসন কম্মিটি ওন ৱাইল্ডলাইফ এন্দ বাইওদাইভর্সিটিগী মায়কৈদগীসু ফোঙদোরক্লি।

এ বি এ মণিপুরদা য়াওবা বেকরি নত্তে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ (ঐচ এন এস): হৌখিবা সেপ্টেম্বর ১৬তা সোসল মীদিয়াদা থবক শুবা মানবা অসামিজ লোল ঙাংবা মীওই খরনা বেকরিগী চানবা পোৎলমশিংদা খোঙনা নেৎপদা নত্তনা য়েংবদা নুংঙাইতবা ভিদিও অমা ভাইরেল চৎলক্লি। হৌখিবা নুমীৎ খরনি অসিদা অপূনবা বেকরি এসোসিএসন (এ বি এ) মণিপুরনা কুপ্না থিগৎলুবদা ভিদিও অদুদা য়াওরিবা মীওইশিং অদু এসোসিএসন অসিদা য়াওবা বেকরি নত্তে হায়না এ বি এ মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি ৱাহেংবম শান্ত মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মণিপুরদা লৈরিবা বেকরিশিংবু লান্না উহন্ননবা মওংদা সোর্স অমত্তা য়াওদনা থাগৎলক্লিবা ভিদিও অসি লাইবক থীবনি। বেকরি তৌরিবশিংবু মুখৎননবা শীনবা থৌওংনি। অসিগুম্বা থৌওং অসি মতুংদা অমুক হন্না তৌবীগনু। হৌখিবা চহী কয়াদগী মণিপুরদা লৈরিবা বেকরশিংগী প্রদক্সনশিংবু হায়জিনিক ওইনা ক্বালিটি মেন্টেন তৌননবা ফসাইগা লোয়ননা এসোসিএসন অসিনা চঙশিন্দুনা লাক্লি। মরক অসিদা অসিগুম্বা নাচে চাদবা মীওই অমনা তৌহৈদবা, হঙ্গৈইরবা থৌওং চথরক্লিবা অসামিজ লোল ঙাংবা মীওই অসিবু লৈঙাক্লা থিগৎপীদুনা লোগী ওইবা ফংফম থোকপা মতিক চাবা চৈরাক পীবীয়ু হায়নসু এসোসিএসন অসিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

লম্লাই মায়কৈগী ফৌথোক খম থেংনা হন্থরগনি : লম্লাই মপারী

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ (ঐচ এন এস): লম্লাই মায়কৈগী ফৌথোক খম থেংনা হন্থরগনি হায়না লম্লাই মপারী থৌগল লূপকী জেনরেল সেক্রেটরি লাইশ্রম বোবিসনানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, লম্লাই মায়কৈদগী লৈরিবা লৌফমশিংদা হৌজিক ওইরিবা ফীভমশিং য়েংশিনবগী খোঙচৎ অমা লম্লাই মপারী থৌগল লূপ অমদি ঈ-লৌমী টিমগী এগ্রিকলচরেল এক্সপার্টময়ামগা লোয়ননা পাঙথোকখ্রে। ঙসিগী খোঙচৎ অদু পোলিটিকেল এক্টিভিষ্ট সাপম কংলৈপাল মৈতৈনা লুচিংখি। লম্লাইগী অপূনবা লৌফমগী চাদা ২৫ হেনবদি লৌ শুকপান পান্দ্রবা মফমশিং ওইরে। মসিগী মথক্তা হৌজিক লৌ পাল্লিবা লৌফমগী চাদা ৩০ খরা হেনবদি ফৌ শাৎলরোইদবা হায়বদি লৌ লোক্লরোইদবা মফম ওইরে। অতোপ্পা লৌফম চাদা ১৫ অমদি ফৌ মপুং ফানা শাৎলরোইদবা হায়বদি লৌ উবদা চঙখিবা শেনফম অদুগী তঙ্খায় ফাওবা হঞ্জিনবা ঙম্লরোইদবা মফমশিং ওইরে। মরম অদুনা লৌ লোক্কদৌরিবা মফম অসি শুপ্নতগী চাদা ৩০ রোমতমক ওইহৌরগনি। কুমশিগী ওইনা লম্লাই মায়কৈদা ফৌথোক মরাং কায়ররোই, ফৌথোক খম থেংনা হন্থরগনি।

নাকল অমরোমদা, ঈশিং কংবনা মরম ওইরগা লৌফম অয়াম্বদা নেমাটোদ হায়রিবা তীল অসিনা মাঙহল্লবা লৌবুকশিংদা মথংগী লৌরোক খোয়বা মতমদা তীল অসি হাৎননবা হিদাকশিং হাপ্পীহৌননবা লম্লাই মপারী থৌগল লূপনা খঙহঞ্জরি। ঙসি ফাওবদা ইলেক্সন মায়োক্নরিবা কেন্দিদেট অমত্তনা লৌমী মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবশিংগী মরমদা য়েংশিনবীবা লৈখিদ্রি। অদুম ওইনমক পোলিটিকেল এক্টিভিষ্ট সাপম কংলৈপাল মৈতৈনা এগ্রিকলচরেল এক্সপার্ট ময়াম অমা হকথেংননা লৌফম লৌফমদা পুথবীদুনা য়েংশিনবীখিবগীদমক লৌমী কয়ানসু থাগৎপা ফোঙদোক্নরক্লি। হোংলক্লিবা মহৌশাগী খলনা পীরক্লিবা চৈথেং কয়াদা লৌমী ময়ামদি কোক্তা খুৎ হাপ্নরে। ফীভম অসিদা লৌমী মীয়াম্বু শেন্থোক লৈবা লৌমীশিং ওইহন্ননবা অখন্নবা থবক থৌরম কয়া লৌখৎপগী তঙাইফদবা লৈরি। থংন-থংননা কুম অহুল্লক লৌমী মীয়াম অৱাবা নংলে। পোলিটিকেল এক্টিভিষ্ট সাপম কংলৈপাল মৈতৈগী লমজিং মখাদা অল্টর্নেটিভ ফার্মিং কয়া চথদুনা ইমুং ২০০ হেনবদা কান্নবা পীরি। লম্লাই মায়কৈদগী লৈরিবা লৌফমগী চাদা ৩০দা অল্টর্নেটিভ ক্রোপসকী তঙাইফদবা লৈরক্লি। ঙসিগী য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা সোসল ৱার্কর রঘুমনি, প্রসিদেন্ট অপূনবা লৌমী খুন্নাই লম্লাইসু শরুক য়াখি হায়না চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ খরা নেমথরক্লবসু ত্রিপুরাদা লৈরিবা মৈতৈ মচা কয়া লাইচৎ অসিনা থৱায় লৌবতা নত্তনা ইমুং হুপ্না নারকপা য়াওনা হৌজিকসু মীওই কয়া অৱাবা নংলি। অদুবু বি পি এল চন্দ্রবদি লৈঙাক্লা মতেং পাংদবা অসিনা লমদম অসিদা লৈরিবা মৈতৈ ইমুং কয়া শাথিনা ৱানরে হায়রি। অদুগুম্বা ইমুং হুপ্না মতম কুইনা কোরোনা নারক্লবা খুন্নাইগী থৌগলদা থৱায় য়াওজরিবা মরুপ পাউ চেগী জোইন্ট এদিটর রাজকুমার তরুনজিৎ অমদি কবি শিজা মোলিনাগী ইমুংদা চান-থক্লবা পোৎলম কয়া মতেং পাংখ্রে। লমদম অসিদা মশীং লিক্লা লৈরবসু ত্রিপুরাদা লৈরিবা মৈতৈশিংগী অৱাবদা মৈতৈনা মৈতৈগী মতম খূদিংমক লেপ্পুনা লাক্লি। ঙসি তখেল লৈমগী টিম অদুদা লূপকী ভাইস প্রসিদেন্ট খুন্দ্রাকপম প্রজাপতি, অইবা ৱাংখেম বিরমঙ্গোল, ত্রেজরর লাইপুবম প্রতিমা শর্ম্মা, এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি হিজম অর্চনা অমদি হিজম বাব্লিসু শরুক য়াখি।

কোভিদকী মাস এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অমদি পোষ্টর কেম্প্যেন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ (ঐচ এন এস): মালেমগী লৈবাকপুম্নমক্না থেংনরিবা তমথিরবা কোভিদ লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা অমদি থেংনবা ঙম্নবা কম্মিটি ওন কোভিদ-১৯, মণিপুর (কাদা, য়ু পি এফ, নিপকো, এমসু, য়ু পি এ সী ও, মপি কাউন্সীল)না লেপ্পুনা চঙশিল্লকপা মাস এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অমদি পোষ্টর কেম্প্যেন ঙরাং তোঙান-তোঙানবা মফমদা পাঙথোকখ্রে হায়না কম্মিটি ওন কোভিদ-১৯ মণিপুরগী মীদিয়া কোওর্দিনেটর গীতচন্দ্র মঙাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, প্রোগ্রাম পাঙথোকখিবা মফমশিংদি হৈরোক কৈথেল, সিংখোং, নোংপোক সেকমাই কৈথেল, চরাংপাৎ কৈথেল, ৱাংবল, খাঙবোক, য়াইরিপোক বজারদগী কসোম খুল্লেন, কামজোং দিষ্ট্রিক্ট ফাওবদা লৈরিবা কৈথেলশিং, ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংদা লাউদ স্পিকর শীজিন্নদুনা পাঙথোকখি অমদি পোষ্টরশিংসু থেৎখি। এৱ্যের্নেস অদুদা কোভিদ লাইচৎ অসি থেংনবদা মীয়াম ৱাখল তাদ্রগদি থেংনবা ঙল্লোই। কোভিদ-১৯গী লায়ওং লৈরবদি শোয়দনা টেষ্ট তৌথোকপীগদবনি। অনাবা লোৎশিন্দুনা থল্লোইদবনি। মসিনা হেন্না খুদোংথিবা মায়োক্ন রক্কনি। ঙন্না লায়েংহৌবনা অদোমগী মমল য়াল্লবা পুন্সি খুদোংথিগদবদগী কনগদৌরিবনি। চহী ১৮ হেল্লবদি শুংশোয় শোয়দনা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকসি। ভেক্সিনেসনগী মতাংদা শন্দোরক্লিবা তোকঙাশিং থাজবীগনু। ভেক্সিনেসন নত্তনা কোভিদ থেংনবগী উপায় লৈতে। ভেক্সিন কাপহৌবনা কোভিদ পোজিটিভ ওইরবসু কা হেন্না হকচাংদা খুদোংথিবা থোকহন্দে। দব্লিয়ু ঐচ ও, হেল্থ দিপার্টমেন্ট অমদি হোম দিপার্টমেন্টনা পীরিবা মতম মতমগী এস ও পিশিং ঐখোয় খূদিংমক্না ঙাক্লা চৎমিন্নসি। ঐখোয় পুন্না কোভিদপু মায়থীবা পীরসি হায়বা ৱাফমশিং মীয়ামদা ওদিও রেকোর্দিংগী খুত্থাংদা খঙহনখি।

কোভিদকী এস ও পিশিং ঙাক্লবা পোষ্টর কেম্প্যেন অসিগী পাউজেলদি মীয়াম তীনবা মফমদা য়ারিবমখৈ মাস্ক লৌথোকপীগনু, অদোমনা মীয়াম তীনবা মফমদা করিগুম্বা পোৎশক অমা চানিংলবদি মীয়ামদগী খরা নাথৈরগা চাবীয়ু, মাস্ক উপ্তুবা মীওইদা পোৎ-চৈ লৈবা পীবীগনু। মাস্ক উপ্তুবা দুকান্দগী পোৎ লৈবীগনু। অদোমনা চেকশিন্দ্রবদি মীয়াম পুন্না ৱামিন্নগদৌরিবনি কাউবীগনু। খুৎ-শাতোয়না হামদোকপা কাউবীগনু। মী অমগা অমগা ফিট ৬ লাপ্পবা কাউবীগনু। পুং ১৪ হেন্না মাস্ক শীজিন্নরবদি মাস্ক অনৌবা অমা শীনবীয়ু। পুলিস উরগা এস ও পি ঙাকপা, উদ্রগনা এস ও পি ঙাক্তবা তৌবীগনু। পুলিসনা লৌরিবা থৌদাং মীয়ামগী য়াইফন্নবনি কাউবীগনু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।